## এম পি এস সি (এ) অমদি খুরাই পোলো ক্লব (এ) ফাইনেল শান্নরগনি



*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি* ২৭ ঃ মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চথরিবা ৩০ শুবা এন হজরি অমদি ডাঃ এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এম পি এস সি (এ) অমদি খুরাই পোলো ক্লব (এ) মায়পাকখিবনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচ শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহান্বা গ্রাউন্দদা এম পি এস সি (এ) না ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব (এ) বু পাঞ্জল ১০–৪ দা মায়থীবা পীখি। এম পী এস সি (এ)গী পাঞ্জলশিং অদু এম জব্রন, এস ইবুংচা অমদি টি ঐচ রনজিৎ না অহান্বা চক্করদা অমমম চনখি। অনিশুবা চক্করদা এস বিমোলনা পাঞ্জল ২ অমগা চনশিনখি। অহুমশুবা চক্করদসু এস বিমোল অমদি এম জব্রন্না অমমম অমুক চনখি। অরোইবা চক্কর ওইনা শান্নখিবা মরিশুবা চক্করদা টিম অসিগী এম জব্রন এস অবুংচা অমদি টি ঐচ রোমেন্না অমমম চন্দুনা টিম অসিগী অপুন্বা পাঞ্জল ১০ অদু শুখিবনি।

ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লবকী পাঞ্জল ৪ অদুনা এম ধোরেল সিংহ, এ বসন্ত, এ মনিহার অমদি এস সাদনন্দনা অমমম চনখিবনি। অনিশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা খুরাই পোলো ক্লব (এ) না এম পি এস সি গী (বি) বু পাঞ্জল ১৩–৫ দা মায়থীবা পীখিবনি। খুরাই পোলো ক্লব এ গী পাঞ্জলশিং অদু অহান্বা চক্করদা পি জোটিনা ৩ অমদি পি ওজিৎনা ১ চনখিবনি ২ শুবা চক্করদনা পাঞ্জল ৩ চনখি। মরিশুবা চক্করদসু পি ওজিৎনা পাঞ্জল ১ অমুক চনশিনখি। অরোইবা চক্কর ওইনা শান্নখিবা মরিশুবা চক্করদা পি ওজিৎ, টি রোসন, ও রোজর অমসি পি জোটিন্না অমমম চনশিনখিবনা খুরাই পোলো ক্লব (এ) গী পাঞ্জল ১৩ শুবা ঙমখিবনি। অমরোমদা এম পি এস সি (বি) গী পাঞ্জলশিং অদু পি প্রাদিপকুমারনা অহান্বা অমদি মরিশুবা চক্করদা মথংশিৎনা পাঞ্জল ১ অমদি ৩ চন্দুনা মেটচ অদুদা পুন্না পাঞ্জল ৪ চনখি। টিম অসিমক্কী আই খাবা না অনিশুবা চক্করদা পাঞ্জজ ১ চনখিবনা টিম অসিমক্কী পুন্না পাঞ্জল ৫ অদু শুবা ঙমখিবনি।

## রেফ্রি খনখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি* ২৭ ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন অমসুং কংলৈপাক ষ্টটুদেন্স এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা মপানকাংজৈবুংদা মথং থাগী ৫ দগী ৯ ফাওবা চথগদবা ৪ শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কংলৈপাক ফুটবোল ট্রোফি ২০১২–১৫গী মেটচশিংদা রেফ্রি ওইগদবা অমদি মেটচ ওফিসিয়েলগী মীং লাউথোকখ্রে। রেফ্রি ওইরগদবশিং অদুদি কিরনজিৎ, সুরেস, ইবুংঙো, রনজিৎতা, ওনিল, বোরেন, ইঙোবি অমসুং ইসপ্রিংসননি।

## শান্নরোই ওকখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি* ২৭ ঃ তোঙান–তোঙান্বা মশান্নশিংদা মায়পাক্কক্লবা শান্নরোইশিং ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী পীশুমথোং ওইনাম লৈকায়দা লৈবা ৱাই বি বি জিম্মা ওকখ্রে। ঙসি ওকখিবা শান্নরোইশিং অদুদি হন্দক খুমন লম্পাক্তা পাংথোখিবা ৯ শুবা ষ্টেট লেভেল টগ ওফ ৱার চেম্পিয়নসিপতা মেদল অমসুং শেলগী মনা লৌরকখ্রবা অমদি ১০ শুবা ষ্টেট লেভেল বোদি বিলদিং চেম্পিয়নসিপ (মিষ্টর চেলেঞ্জ কপ ২০১৫ ) দা মায়পাক্তুনা চেম্পিয়ন ওফ চেম্পিয়ন তারক্লবা আই দেবা সিংহ নি ।

শান্নরোইশিং ওকপগী থৌরমগা মরী লৈননা ৱাই বি বি জিমগী কোর্স আই বিপিননা শান্নরোইশিংবু পুক্লিং থৌগৎপগা লোয়ননা শান্নরোইশিংনা চাং নাইনা শাজেল তৌদুনা লাক্কদৌরিবা চেম্পিয়নসিপ কয়াদসু হন্বা লৈতনা মেদল কয়া পুরক্লবা ৱাফমসু ফোংদোকখি। শান্নরোইশিংদা পাঙ্গল পীবিনবসু ঈশ্বরদা থৌনিখি। তোঙান–তোঙান্বা মশান্নশিংদা মায়পাক্লবা শান্নরোই খুদিংমক্লা থকশি–খাশি নাইনা অমদি ওঝা–গুরুদা ইকায়খুম্নবা উৎকদবনি। ওঝা–গুরুনা তাকপীবা পুম্নমক মতম চানা অমদি চাং নাইনা মথং–মনাও ওইনা পাংথোক্লবা হোৎনগদবনি। তুংদা লাক্কদবা চেম্পিয়নসিপ কয়াদা হন্বা লৈতনা অঙন্বা থৌনা ফুদোক্তুনা মায়পাক্লবা তাকপী তন্বীগনি হায়নসু ৱাই বি বি জিমগী কোর্স আই বিপীননা মখা তানা ফোংদোকখি।







## আর এফ সি না ৩ শুবা পোজিসন তাখ্রে



*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি* ২৭ ঃ য়ুঠ ব্রাইট ষ্টার ক্লব ( ৱাই বি এ সি) না শিন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথরকখিবা ৬ শুবা এস অমুবা মেমোরিয়েল ৭–এ সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৫ গী ৩ শুবা পোজিসনগীদমক ঙসি শান্নখিবা মেটচতা আর এফ সি খমনাম লৈরক্লা এস সি ৱাই, য়ুমনাম খুনৌবু ট্রাই ব্রেক্তা থোইদুদা ৩ শুবা পোজিসন তাখিবনি।

মেটচ অদুগী অপীবা মতমদা টিম অনিমক্লা গোল ২–২ ফংদুনা মেটচ অদু থোইনদনা লৈবদগী মেটচ রেফ্রিনা ট্রাই ব্রেক কাওনহনবদা আর এফ সি না এস সি ৱাইবু ৪–৩ দা থোইখিবনি। আর এফ সিগী বোলশিং অদু নাওবা অমদি এন্থৌনিনা অমমম চনখিবনি। এস সি ৱাইগী বোলশিং অদুনা কে রেনিলনা ১ অমদি আর এফ সিগী মংলম্বগী ওন গোলনা মরম ওইদুনা টিম অসিগী গোল ২ অদু ফংখিবনি।

চথরিবা টর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচ মার্চকী তাং ১ দা কে এম এস দি ও, উংলৌ অমদি য়ুমনাম কন্ট্রক্সনা শান্নগনি।

























Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*